


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, DECEMBER 19, 2018 PAGE 7


*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং পাঙথোকখিবা ওক্সনদা লুপা ৮.৪ ক্রোরদা রাজস্থান রোয়েলসনা সিজন অসিদা অমুক হন্না লৈখ্রবা জয়দেব উনাকট*

*ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী হৌরকপা মেটচশিংদা ফজখিদবদগী মেনেজর ওইবদগী লৌথোকখ্রবা জোস মোরিনহো*



## ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা রন ১৪৬ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নখ্রে



*ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*পর্থ, দিসেম্বর ১৮ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্ননা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু রন ১৪৬ তা থোইদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নখ্রে।

অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৩২৬ লৌবা ঙমখি। মসিগী পাউখুমদা ইনিদয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৪৩ লৌবা ঙমখিবদগী ইনিদয়াগী টিম ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৮৩ শোত্থদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অসিদা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ১২৩ লৌবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মহাক্না সেঞ্চুরি লৌখিবা অসিনা মালেমগী টেষ্ট বেটসমেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থুনা টেষ্ট সেঞ্চুরি ২৫ লৌবা ঙম্বা অনীশুবা বেটসমেন ওইবা ঙমখিবনি। ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন অজিনক্য রহানেনা রন ৫১ লৌখিবা টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ২৮৩ লৌবা ঙমখিবদগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসি মায় পাক্লবা ইনিদয়ানা রন ২৮৭ লৌবগী মথৌ তাখি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ১০০ য়ৌবা ঙমদ্রিঙৈদা টিম অসিগী মরুওইবা বেটসমেন ৫ আওট ওইখি। মরিনিশুবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১১২ দা লৈখিবদগী মেটচ অদু মায় পাক্লবা ইন্দিয়ানা মখা তানা রন ১৭৫ লৌবগী মথৌ তাখিবনি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন হনুৱান ভিহারি অমসুং রিসব পন্টনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ২৪ অমসুং ৯ লৌদুনা লৈখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি অরোইবা নুমিৎ শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং নীংথিনা রন লৌবা ঙমখিদবদগী মখা তানা রন ২৮ খক হাপচিনবা ঙমখিবদগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু রন ১৪৬ তা মায় পাকপা ঙমখিবদগী সেরিজ ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লিং মায়কৈদা মিটচেল ষ্টার্ক অমসুং নাথন লিওননা ৱিকেট ৩ / ৩ লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা বোল্লর জোস হেজলৱুদ অমসুং পেট কুম্মিন্সনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ /২ আওট তাহনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর নাথন লিওননা ইন্দিয়াগী ৱিকেট ৮ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

## মণিপুরগী মিরাবাই চনু অমসুং মিজোরামগী লালরিন্নুঙ্গানা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা লিফটর ওইখ্রে





*কুমজা ২০১৮ গী ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা লিফটর ওইখ্রবা মিরাবাই চনু (ওই) অমদি জেরেমী লালরিন্নুঙ্গা*

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৮ঃ*

মালেমগী ৱেঠলিফটিং মশান্নদা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং মিজোরামগী জেরেমী লালরিন্নুঙ্গানা কুমজা ২০১৮ গী ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা লিফটর ওইবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মণিপুরগী নুপী লিফটর মিরাবাই চনুনা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বর ২৮ দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা য়ুএসএগী সিটি অনাহেমদা লৈবা অনাহেম কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা আইদব্লিয়ুএফ ৱেঠলিফটিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্লিন এন্দ জর্গতা গোল্ড অদুগা স্নেটচতা সিলভর মেডল ফংদুনা অপুনবদা গোল্ড মেডল ফংদুনা ইনিদয়াগী পুৱারী শেমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মিরাবাইনা ক্লিন এন্দ জর্গতা ১০৯ অদুগা স্নেটচতা কেজি ৮৫ পুন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা থাইলেন্দগী লিফটর থুনিয়া সুকচারোনদগী কেজি ১ হেল্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা মশাগী চহী ২৪ শুরবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা গেমস অসিগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বগা লোয়নননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

মিরাবাই চনুগী মশক নাইরবা পার্ফোমেন্স অসিগীদমক লৈবাক অসিগী শান্নবগী লমদা পীবা খ্বাইদগী চাউবা মনা খেল রত্ন পীদুনা ইকাই খুম্নখিবনি।

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্ঠ গেমস অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইদুনা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমসুং ২ লৌবা ঙমখিবনি। গোল্ড মেডল লৌখ্রবা লিফটরশিং অদুদি–মিরাবাই চনু (কেজি ৪৮), সঞ্জিতা চনু (কেজি ৫৩), সাথিস সিভলিঙ্গম (কেজি ৭৭), ভিঙ্কট রাহুল রাগালা (কেজি ৮৫) অমসুং পুনম যাদব (কেজি ৬৯) নি।

সিলভর মেডল ফংখ্রবা লিফটরশিং অদুদি গুরুরাজা (কেজি ৫৬) অমসুং পরদিপ সিংহ (কেজি ১০৫) নি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবশিং অদুনা ভিকাস থাকুর (কেজি ৯৪) অমসুং চহী ১৮ দা ঙাইরিবা দিপক লাথর (কেজি ৬৯) নি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা লিফটর ওইখিবা মীজোরাম মচা জেরেমী লালরিন্নুঙ্গানা চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং বিনোস আইরেজদা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী কেজি ৬২ গী কেটেগোরিদা লৈবাক অসিগী অহানবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা পুৱারী শেমখি।

মহাক্না য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অসিদা স্নেটচতা কেজি ১২৪ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৫০ পুন্না কেজি ২৭৪ থাঙ্গৎতুনা সিলভর ফংখিবা টর্কিগী টোপটাস কেনরদগী কেজি ১১ হেল্লগা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

## ইটালিগী সেরি এদা অটলান্টানা লাজিও ১–০ দা থোইখ্রে, স্পেনগী লা লীগাদা দিপোর্টিভো অলাভেস অমসুং এঠলেটিক বিলবাও পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

*রোম। মাদ্রিদ, দিসেম্বর ১৮ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ১৬শুবা লীগ মেটচ অমদা অটলান্টানা লাজিওবু ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মফম ৫ হাইগৎতুনা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ১৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা দিপোর্টিভো অলাভেস অমসুং এঠলেটিক বিলবাও পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।



*অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

অটলান্টা অমসুং লাজিওনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদুগী অহানবা মিনটতা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা থুনা য়াঙনা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা দুভান জাপাটানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা য়াম্না ঙন্না লাজিলদগী ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীবা হৌখি।

লাজিওগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা অটলান্টাগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌদুনা ইক্কেলাইজর ওইহন্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু অটলান্টাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা এটেক কয়া চথ্থরকখি।

নাকল অমরোমদা পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা লাজিওগী শান্নরোইশিংনসু কাউন্টর এটেক কয়া চথ্থদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা খুদোংচাবশিং অদু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু অটলান্টানা লাজিওবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা জুবেন্টসনা পুন্না পোইন্ট ৪৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। নাপোলিনা পোইন্ট ৩৮ ফংলগা অনীশুবা অদুগা ইন্টরনা পোইন্ট ৩২ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

স্পেনগী লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা ১৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা দিপোর্টিভো অলাভেস অমসুং এঠলেটিক বিলবাও পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

মেটচ হেক হৌবদগী দিপোর্টিভো অলাভেসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্থদুনা লাকখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না পাঙ্গল মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা বার্সেলোনানা পোইন্ট ৩৪ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। সিভিলা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদনা মথংশিংনা পোইন্ট ৩১। ৩১ ফংমিন্নরগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

## অরাভিন্দ চিথম্বরমনা পোইন্ট লিদর ওইদুনা নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

*জম্মু, দিসেম্বর ১৮ঃ*

থা অসিগী ৮ দগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কোনুং জম্মুদা চথ্থরকপা নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী টাইটল তামিল নাদুগী শান্নরোই অরাভিন্দ চিথম্বরমনা পোইন্ট লিদর ওইদুনা লৌখ্রে।

নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অরাভিন্দ চিথম্বরম, সি আর জি কৃষ্ণনা অমসুং ভাইভাভ সুরিনা টাইটল লৌবগী খুদোং চাবা লৈখি। ১২শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা অরাভিন্দ চিথম্বরম পোইন্ট ৯.৫ ফংদুনা পোইন্ট লিদর ওইবা ঙমদুনা খ্বাইদগী খুদোংচাবা মঙোন্দা লৈখি। সি আর জি কৃষ্ণসু পোইন্ট ৯ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা ভাইভাভ সুরিনা পোইন্ট ৯ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

ঙসি ১৩শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দগী মেটচতা পোইন্ট লিদর ওইখিবা অরাভিন্দ চিথম্বরম অমসুং অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবা সি আর জি কৃষ্ণ লম্বা তৌনখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা অহুমশুবদা লৈরিবা ভাইভাভ সুরি অমসুং শ্রিজিট পোল শান্নখিবনি।

অরাভিন্দ চিথম্বরম অমসুং সি আর জি কৃষ্ণনা শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হেক হৌবদগী অমনা অমগী মায়থিবা



*নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌখ্রবা অরাভিন্দ চিথম্বরম*

পীনবগীদমক অকনবা লাল্লোং তৌনরকখি। নাকল অমরোমদা পোইন্ট লিদর ওইরিবা অরাভিন্দ চিথম্বরমনা মেটচ অদু মায়থিদনবা কন্না হোৎনদুনা দিফেন্সিপ ওইবা মওংদা শান্নদুনা লৈখি।

শান্নরোই অনীনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদবদগী ৩৫শুবা মুভতা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট মখায় /মখায় য়েন্নখি। অরাভিন্দ চিথম্বরমনা মহাক্কী হান্না লৈরম্বা পোইন্ট ৯.৫ অদুদা পোইন্ট মখায় অমা হাপচিল্লগা পুন্না পোইন্ট ১০ ফংদুনা নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেটচ অমতা মায়থিদুনা টাইটল লৌবা ঙমদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৫ ফংখি।

পোইন্ট ৯.৫ ফংদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরবা সি আর জি কৃষ্ণনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৪ ফংখি। ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা শ্রিজিট পোলনা ভাইভাভ সুরিবু মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট ৯.৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৩ ফংখি।

মরিশুবা তাহৌখিবা এম আর ভেঙ্কটেশনা লুপা লাখ ২, ৫শুবা পোজিসন তাখিবা দিপ সেনগুপ্তনা লুপা লাখ ১.৫০, ৬শুবা পোজিসন তাখিবা ভাইভাভ সুরিনা লুপা লাখ ১, ৭শুবা পোজিসন তাখিবা ভিষ্ণু প্রাসান্নানা লুপা লাখ ১, ৮শুবা পোজিসন তাখিবা জি অকাসনা লুপা লাখ ১, ৯শুবা পোজিসন তাখিবা সন্দিপন চান্দানা লুপা লিশিং ৭৫ অমসুং ১০শুবা পোজিসন ফংখিবা জি এ ষ্টানিনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৭৫ ফংখি।

জম্মুদা পাঙথোকখিবা নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা চেছ শান্নরোই ২০ না শরুক য়াখিবনি।

## জাহির খান আইপিএলগী টিম মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী দিরেক্তর ওফ ক্রিকেট ওপরেসন্সতা য়াওখ্রে



*চেন্নাই, দিসেম্বর ১৮ঃ*

ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমগী হান্না লেফ্ট–আর্ম পেসর ওইরম্বা জাহির খান ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা টিম ওইরিবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী দিরেক্তর ওফ ক্রিকেট ওপরেসন্সতা য়াওখ্রে।

মালেমদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওবা ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্ট ইনিদয়ান প্রেমিয়র লীগ অসিদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্স ৩লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবনি। জাহির খান মুম্বাই ইনিদয়ান্সতা কুমজা ২০০৯, ২০১০ অমসুং ২০১৪ দা শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াখি।

সিজন অহুম শরুক য়াখিবদা জাহির খাননা মেটচ ৩০ শান্নখিবদা ৱিকেট ২৯ লৌবা ঙমখি। আইপিএলগী ওক্সনগী মাঙওইননা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা মাঙজৌননা শান্নরোই ১৮ খনগৎতুনা থমখ্রবনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা হর্দিক পান্দিয়া, জস্প্রিট বুমরাহ, মায়াঙ্ক মারকান্দে, রাহুল চাহর, অনুকুল রোই, ইসান কিষণ, অদিত্য তারে অমসুং সূর্য্যকুমার যাদব য়াওরি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন অসিগী ওইনা রোহিট শর্ম্মনা কেপ্টেন অদুম্মক ওইগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

ক্রোসৱার্দ ১৬কী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| N | O | R | T | H | | M | I | C | A | | R | C | M | P |
| A | D | O | R | E | | A | V | O | N | | A | L | O | E |
| R | O | B | E | R | T | R | Y | A | N | | Y | A | R | N |
| C | R | E | A | M | Y | | | L | E | A | R | N | E | D |
| | | | D | I | R | E | R | | A | D | O | | | |
| A | S | S | | T | O | M | E | | L | A | M | A | R | R |
| M | A | W | R | | N | E | X | T | | M | A | M | I | E |
| E | R | I | E | | E | E | R | I | E | | N | E | A | P |
| B | A | N | N | S | | R | E | N | D | | O | N | T | O |
| A | N | G | E | L | A | | E | G | G | S | | D | A | T |
| | | | R | A | N | | D | E | I | T | Y | | | |
| P | U | T | U | P | O | N | | | E | R | O | I | C | A |
| E | P | O | S | | R | I | T | A | R | U | D | N | E | R |
| O | T | I | S | | A | N | E | W | | M | E | T | R | E |
| N | O | L | O | | K | E | E | L | | S | L | O | T | S |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICKSAMPLE

[illegible] (From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
SL/1198/Alt.50 days